# হোলিৱুদতা মমিং লৈরক্লিবী সাউথ কোরিয়ন এক্ট্রেস পার্ক সো-দাম

- নানি -



কোরোনাভাইরসকী পেন্দেমিক হৌদ্রিদৈঙেগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৯২শুবা একাদেমি এৱার্দ ২০২০দা বেষ্ট পিকচরগী মনা ফংখ্রবা Bong Joon-ho গী Parasite হায়রিবা ফিল্ম অদুগী বেকবোন কেরেক্টর ওইনা কুল্লিবী পার্ক সো-দামগী তেন্তকপা মপাউ খরা ঙসি কোলম অসিবু নুংশিবীদুনা পাবীরিবা পূম্ন মক্কী মফমদা পুদুনা লাকচরি। Parasite হায়রিবা ফিল্ম অসি ইংলিস লেংগ্বেজদা নম্বা নত্তে, কোরিয়ন হিষ্ট্রিগী শরুক অমদা য়ূম্ফম ওইরগা কোরিয়ন কলচর অমদি সিভিলাইজেসনগী অকূপ্পা কয়া মমুৎ তানা নৈনদুনা ফিল্ম ওইনা পুথোরকপা লোকল লেংগ্বেজ অমগী ফিল্মনা খ্বাইদগী চাউবা মনা অমা ফংবা ঙমখিবা হায়বসি হন্দক্কী অসিনা ৱর্ল্ডগী ওইবা রেকোর্দ অমনি হায়না ফিল্ম নৈনবশিংগী সর্কলদা ঙাঙনরিবনি। ফিল্ম অসিদা মপূং ওইবা রোল লৌরিবী এক্ট্রেস অসিসু ওরিজিনেল কোরিয়ননি। সেপ্টেম্বর ৮, ১৯৯১দা সাউথ কোরিয়াদা পোকখিবীনি। হৌজিক মশাগী চহী ২৯শুরে। য়াম্না নহা ওইরিবী এক্ট্রেস অসি কুমজা ২০১৩দগী হৌনা আর্টকী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরক্লবসু মীয়াম্না মাবু মশক চপ চানা খঙবা হৌরকখিবদি কুমজা ২০১৫দগীনি।

কোরিয়ন নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ আর্টস হায়বা অসিদগী গ্রেজুয়েসন লোইরকখিবী এক্ট্রেস অসি **The Priests** হায়বা ফিল্ম অসিদগী মহাক্কী এক্টিংগী চেকশিনবা মতৌ অদু উবা ফংনরকখি। লোয়ননা কোরিয়ন টেলিভিজন সেরিজগী **Cinderella with four knights** হায়বা অসিনসু মহাকপু থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনরকপদা চাউনা মতেং পাংখি। কুমজা ২০১৯দা কমপ্লিট ওইখিবা Parasite হায়রিবা ফিল্ম অসিদা কিম কি-য়ুঙ হায়বা রোল অসিদা মহাক্কী চানবা অমদি চুশিন্নবা এক্সন কয়ানা ফিল্ম অসিবু মালেমগী থাক্তা পীবা বেষ্ট ফিল্মগী এৱার্দ ফংনবা হোৎনবদা মহাক্কী অচৌবা থৌদাং লৈখি হায়না ফিল্মসিগী দিরেক্টর ওইরিবা Bong Joon-ho না ফোঙদোকখি।

পার্ক সো-দামনা হায় স্কুল তম্লিদৈঙেদা ম্যুজিকেল শো Grease হায়বা অদু উরুবদগী মহাক এক্টিংগী লম্বীদা চঙনবগী ইথিল চপ চানা পীবা হৌখি। মহাক্না য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা মহৈ তম্লকপদা ফিল্ম কুম্নবগীদমক ফিল্মগী ওদিসন ১৭ লক হন্না য়াওরকপদা অমুক্তা মাবু খনবিখিদে, কাষ্ট মচা অমা ফাওবা পীবিখিদে। মদুদা মহাক থোইদোক্লা নীংবা কায়বা তৌখিদে, হেন্নদুম কন্না হোৎননবগী ঈথিল পোকখি। অদুনা মহাক ফিল্ম এক্টিংগী মরমদা কোরিয়ন একাদেমি ওফ ফিল্ম আর্টসতা নীংথিনা মখা তানা তমথদুনা মশাবু মতিক চানবা হোৎনজরকখি। কুমজা ২০১৩দগীদি মহাক শোর্ট ফিল্ম খরদা এক্টিং তৌবা হৌরকখি। কুমজা ২০১৫দদি কোরিয়ন টেলিভিজন সেরিজশিংদা ম্যেন রোল কুম্বা হৌরকখি। কুমজা ২০১৬ অমদি ২০১৭তগী থিএটরদসু মহাক শরুক য়ারকখি। মহাক্না য়াওখিবা থিএটর প্রদক্সন অদু য়াম্না মমিং চৎখি। মী য়াম্না য়েংনখি। মদুনসু মহাকপু হেন্না থৱায় য়াওহনখি। –Let me In (2016), Closer (2016), The Student and Mr. Henri (2017) হায়রিবা প্লে অহুম অসি য়াম্না মায় পাকখিবা ওইখি।



পার্ক সো-দাম হৌজিক ফাওবদা এৱার্দ খরা ফংখ্রে। 16th Busan Film Critics Award (2015), One Night Surprise Award (2015), Korean film Actors Association Award না পীবা Popular Movie Star (2015) ফংখ্রে। The Priests হায়বা ফিল্ম অদুগীদমক তোঙান-তোঙানবা এৱার্দ কয়া Best New Actress, Rising Star Actress, অমদি Best Supporting actress কী এৱার্দসু ফংখ্রে। **Parasite** হায়বা ফিল্ম অসিমক্তদা 26th Screen Actors Guild Awards ceremony দা Outstanding Performance by an ensemble in a motion picture হায়বা য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইরবা এৱার্দ অমসু ফংবা ঙমখি। হৌজিক হৌজিকসু কোরিয়ন টেলিভিজন দ্রামা ওইনা মমিং য়াম্না চৎলিবা **Record of Youth** হায়বা অসিদা কুল্লি।



Parasite হায়রিবা ফিল্ম অসি কুমদ্রিদৈঙেগী মমাঙদা এক্ট্রেস অসি ফিল্ম অমদি টেলিভিজন সেরিজ কয়াদা কুমখ্রে। অদুবু কা হেন্না মহাক্কী এক্টিং অমদি পর্ফোর্মেন্স কনা অমত্তনা critical acclamation অমত্তা পীরকখিদে। অদুবু কুমজা ২০১৫দা রিলিজ তৌখিবা ফিল্ম "The Silenced" অমদি "The Priest" হায়বা অসিদগীদি মহাক্কী মরমদা মীয়াম্না নৈনবা হৌরকখি। মসি পার্ককীদি লাইবক য়াম্না ফবা অমদি মহাক্কী এক্টিংগী খোঙচৎতা অচৌবা ইনোৎ অমা পীবগুম্না থোকখি হায়না টাইম হায়বা মীদিয়া অমনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা পীখি।

Parasite ফিল্ম অসিনা ওস্কার এৱার্দ ফংলকপদা নহাক্কী পুন্সিদা করন্বা ইস্পেক্ট অমা পীবগে হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুমদা পার্কনা খুমখি - "মসিনা ঐনা চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা অনৌবা ৱাহন্থোক অমা পীরে। মদুদি, ঐগী ফজরবা কোরিয়ন কলচরবু মালেমদা মশক তাকপা ঙমখিবা অসিনা এক্টর অমা ওইনা লৈবাক্কীদমক ঐ য়াম্না চাউথোকচবা ফাওই। মসিনা দ্রাইভিং ফোর্স অমা ওইদুনা এক্টর অমা ওইবগী থবক অসিদা হেন্না অকনবা থৌনা অমা পীবা ঙম্লে। মসিনা ঐবু নুমিৎ খুদিংগী ওইনা নুংঙাইহল্লি"। সিলভর স্ক্রীনদা মায় পাক্লবী এক্টর অসিনা অপিকপা টেলিভিজনগী দ্রামাদা শরুক য়ারিবা অসিদা মহাক থোইদোক্লা অপেনবা পোকচৈ, মরমদি মতম অমদি ফীভম কয়ানা মরম ওইরগা ঐনা ঐগী পামজবা খোঙচৎ অসি মখল কয়াগী মায়কৈদগী চঙশিনবদা করিসু কায়বা লৈতে অমদি মদুদা ঐগী চপ চাবা নুংঙাইবা লৈজে হায়না ফোঙদোক্লি।

সাউথ কোরিয়াদগী চিংলগা টাইপৈ, চাইনানচিংবা মফম কয়াদা এক্টর অমা ওইবা হায়বসি য়াম্না প্রোফেসনেল ওই। প্রোফেসনেল ওইদ্রবদি মায় পাকপা এক্টর ওইবা ঙমদে। অদুনা এক্টিংবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বা হায়বসি তঙাইফদবা হায়বদু ওই। এক্টিং তম্নবগী খুদোং চানবা কলচরগী সবজেক্ট করিক্যুলমদা মরাং কায়না য়াওই। লোয়ননা তম্নবগী খুদোংচাবা কয়া ফংই। ঐখোয়গীসিদদি এক্টর অমনা হিংবা হায়বসি খরা ৱাই। হৌজিক্তবু ফিল্ম হায়বা অমা লাকপদগী মদুগী খুদোংচাবা মী য়ামদ্রবসু খরা ফংবগী ৱানি। অহানবদা মণিপুরদা ফিল্ম কুম্বদা শেল ফংনরমদে। কথোকপনা শরুক ওইদুনতা লাকখিবনি। হৌজিক্তি ফিল্ম কুম্বা হায়বসি শেল খরা খরদি ফংনরে। থিএটরগী এক্টর অমনা মপূং ফানা মতম শাংনা মহাক্কী পামজবা অদুদা মায় ওনশিন্দুনা থবক তৌবা ঙমদে। মরমদি হিংবা হায়বসিনা হেন্না মরু ওইরকপনা, হিংনবগীদমক শেল থোকপা য়াবা শিনফম অমা থিরকপদা পামজরবসু এক্টর অমা ওইবগী থবক অসি থাদোরকপা মশানা তাবনি। শুমাং লীলা য়াওবা এক্টর খরদি শেল নীংথিজনা থোকই। অদুসু লোইনমক্কী ৱাদি নত্তে। মমীং লৈবা এক্টর খরখক্কী ৱানি। হৌজিক্তি শুমাং লীলাসু মমাঙদৈঙেগী মতৌগুম্না য়াম্না তৌনদ্রে। অখন্নবা খরখক তৌবা নত্তনা মদুনা হিংনবগী পান্বে অমা ওইনা শীজিন্নবা য়ারক্ত্রে।

মণিপুরদসু মসিগী মতম অমদি শোয়দনা লাকখিগনি হায়না লৌবা য়াই। তৌবতবু লুরিবদি ঐখোয়না এক্টর অমা হায়রগা মদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদু মুন্না খঙদবনা এক্টর অমা ওইবগী চপ চাবা মথৌ তৌনরিব্রা হায়বদুদি হায়বা ঙমদ্রি। এক্টর অমনি হায়বদি খঙনৈ। অদুবু এক্টর অমা ওইনা লৈবাক্কী ওইবা থবক থৌরমদা অমদি মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ কয়াদা মাঙজিল থানা থোরকপদি উবা ফংদ্রি। এক্টর অমা হায়বসি মকে শেমদুনা ঙাক লৈগদবা নত্তে, হায়বসি প্রোফেসনেল ওইবা এক্টর ময়াম অসিগী ৱাখল পূক্লিং অসি নৈনরগা খঙবা ঙম্মী। মদুগীসু মতম অমা শোয়দনা লাকখিগনি হায়না থাজৈ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১০।২০২০ ইং, নোংমাইজিং;
মেরাগী ২পানবা।

**মেষ :** য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাঙবা, পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎপা অমদি কাইনবগী নুংঙাইতবা লৈগনি। মরুপ মপাংগী মতেংনা থবকতি পাংগনি, শেন্দোংসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** চিংনবা অমদি অয়েৎপা খরা লৈরবসু নীংবা থুংগনি অমদি নক্লবগী মতাং লৌদুনা অনৌবা থৌরম লায়না পাংজগনি। থেংলপ্না নুংঙাইবসু ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** অফবা মীচং খরা ফংলসু অচানবা কাইনবা য়াবা অমদি পূক্লিং পেন্দবা লৈগনি- নোল্লুক্লা চৎলু। লমদা চাদিং হেনগনি , মীতোপ্তা থাজবা থমগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** নীংবা মপা চারোই, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি মরুপ মপাংনা নরল মৎপিখিবা য়াবা লৈ। নচা-ননাইদি চাওখৎকনি। থৌনা লৈবনা মায়দি পাক্কনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম খরা ঙাইবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** মায় পাকপা, মীংচৎ ফংজবা অমদি য়েৎবদসু ঙন্বা নুমিৎনি। লৌশিং তান্নবদসু মায় পাক্কনি অমদি লান্দবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই। মীৱাতদি লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কন্যা :** লৌশিং চাওরবসু ফুদোকপা ৱাগদবা নুমিৎনি অদুনু অরুবা ৱাফম খন্নদবা ফগনি। মীনা ইনশিনবা লৌরবদি মীচং হন্থরক্লবগী মরম ওই-নোল্লুক্লা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - তাশিনবা তম্মু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**তুলা :** হরাওবা-নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা অমদি ওইজবা ফংবা নুমিৎনি। মীচং হেনগৎপগী নুংঙাইবসু লৈগনি। থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা অফবা তঞ্জানি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংজবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুবু মীংচৎ ফংগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা কয়াসু পাংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। অকল অথৌগী থবক পাংদবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মতম ঙাইয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** পাউ নুংঙাইবা তাবা, শেল-ফংবা, লন চাওখৎপা অমদি য়েৎনরম্বা কোকচবা নুমিৎনি। য়েক্লবা লৈরম্বসু মাঙখিনি অমদি মীয়ামগী মতেং লৌহৌরো।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** থবক পাংগনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবনা অরুবা থবক লায়না পাংবা ঙমগনি অমদি নচা ননাইগী লম্দা নীংজবা থুংগনি। নাইতোম ৱারেপ লৈবা য়াৱনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** শক-চুথোকপা ৱাৎপা অমদি হোয়া ফবনা মাঙজবা লৈগনি। মহৌশাগী থৌদগী হেন্না পায়গনু। হন্থবা লোয়নগনু অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙলদি চোপকনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চরাংনগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ /চিনি অঙাংবা।

**মিন :** অফা অপুন কোকচবা, থিবা হুম্বগী কান্নবা ফংজবা অমদি চাদিং হন্থবা ঙমজবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি অঙম্বনা তাথি-চেকশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাঙাঙ হৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



সাইকল থৌবা নুপা অমনা মীওই অমদা সাইকলনা থোমজিল্লি। অদুগা হায়রকই ইবুংঙো নঙ লাইবক য়াম্না ফরবনি।
মীওই অদুনা হায়রকই : অদোম্না ঐবু সাইকলনসু থোমজিনবিরগা ঐবু য়াম্না লাইবক ফরবনি হায়রিসিবু উশিত্রিরা?
সাইকল থৌবা নুপা : নত্তে, নত্তে, ইবুংঙো ঐগী ঙসি ছুটি নুমিৎনি। ছুটি নুমীৎ নৎত্রবদি ঐ ট্রক থৌবা নুপানি অদুনা হায়বনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

বন্তা : ৱেটর, নঙগী হোটেল অসিদা য়াম্না হাওবা চা থকহল্লু। চা অদু হেক থকপগা অৱা-নুংঙাই পূম্নমক কাউথোল্লন্দুনা জগোই শারক্লবা।
ৱেটর : সর, ঐখোয়গী হোটেল অসিদা ষনগী শঙ্গোম, ইরোইগী শঙ্গোম অমদি হামেংগী শঙ্গোমদি লাকই অদুবু নাগিনগী শঙ্গোমদি লাক্তে।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মনাও : ঙসি ঐ য়াম্না নুংঙাই শুপ্নগী লুপা ১০ খক্লা সেম অহুম ফংই।
নাওতোন : লুপা ১০না সেম অহুম ফংলিবা?
মনাও : সেম অমনা ঐনা লুপা ১০ পীরগা লৌবা, অদুগা অমনা ঐনা সেম য়োনবা দুকান অদুদগী লাক্লগা চেল্লকপা অদুগা অহুম শুবা সেম অদুনা সেম য়োনবা নুপা অদুনা ঐনা চেল্লিদৈঙেদা সেম অমনা থারকপনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

মপুরোইবা : হন্দক থা অসিদগী নঙোন্দা পৈশা অমত্তা পীররোই!
নুপী : কৈসু কায়দে, অদুবু হৌজিক ঐনা নঙোন্দগী শেল পুবনি খন্ন শুপ্নগী লুপা ৫০০ পীরো। হয়েং নঙগী থাগী তোলোপ ফংলকপদা শেন্দোইগা লোয়ননা পীগনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

লোয়নবী : ঐসে কয়াম নুংশিগে?
মপুরোইবা : সাহজাহন্না মমটা নুংশিবগুম্না নুংশি।
লোয়নবী : অদুদি ঐগীদমক্তা তাজমহল শাবিগদ্রা?
মপুরোইবা : মফম লৈদুনা লৈরবনি অঙাওবি, নঙনা অমুক থেংথহল্লিবদো করিগীনো?

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

নুপামচা অহুম বাইক অমদা পুন্না তোংদুনা লাকই।
পুলিস : হে ঙাইখো খাম্মু! নখোয় খঙদরা বাইক অমদা মী অনীদগী হেন্না তোংবা য়াদে হায়বা?
বাইক থৌরিবা নুপামচা অদুনা তুংদা য়েংলগা ঙক্লা হায়রকই- হৈমা! তোম্বগা চাওবাগদু কদাইদা তাহৌরজাৎনো?

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

চহী ৭০ হেল্লবা অহল ওইরবা মতৈ মনাও অনী কোর্টতা দিভোর্স তৌনবগীদমক লাকই।
জজনা হংই : করিগীনো অসুক অহল ওইরবা মতমদা দিভোর্স তৌগনি হায়রিসীবু?
নুপী : জজ সাহব, ঐগী নুপা অসি ঐঙোন্দা হৌজিকসু য়াম্না ওৎ নৈ।
জজ : চৎপা ফাওবা কন্না চৎপা ঙমদ্রবা মতম অসিদা করম হায়না ওৎলিবনো?
নুপী : জজ সাহব, মহাক্না হেক খৎনবা পাম্বা মতমদনা ৱা পঙাঙদ ঙাংদুনা খৎনবা হৌরম্মী ঐনা হেক ঙাঙবা হৌরক্লা কান্দনা মাগী মনাকোংদা মীনা ঙাঙবা তানবগীদমক হাপ্লিবা মেছিন মচা অদু হেক্তা লৌথোকখি।

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।






Title: Use Mask
By: Marson Meitei Thoudam
Class: I Sec: Roll No. 51
School: Laisukol, Thoubal Achom.





Title: Scenery
By: Naorem Sanatomba
Class: VI Sec: B Roll No. 60
School: Brilliant Public School.





Title: House
By: Nungshithoi Keisham
Class: II Sec: A Roll No. 34
School: Memorial Model Academy.





Title: Rapunzel
By: Rupashree Elangbam
Class: III Sec: Roll No. 8
School: Global School of Human Resources.





Title: Barbie
By: Airish Thangjam
Class: V Sec: B Roll No. 62
School: Don Bosco High School, Langjing.





Title: Tulip
By: Ch. Lanchenbi
Class: IV Sec: Roll No. 04
School: Appolo International School.





Title: Rapunzel
By: Christina Thangjam
Class: VI Sec: A Roll No. 05
School: Brighter Academy Khumbong.





Title: Scenery
By: Felix Yengkhom
Class: IV Sec: Roll No.
Address: P.R. English School Kakching.





Title: Peacock
By: Kshetrimayum Charich
Class: V Sec: B Roll No. 24
School: Savio English Hr. Sec. School.